# কোইম্বটোর ব্লাষ্ট : লৈখিদ্রবা মুভিন অমদি থবক তৌমিন্নখিবা মীওই ২না মাঙজৌননা টেম্পল অহুমগী ফীভমশিং কুপ্না য়েংশিনখি




চেন্নাই, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সী) :
থা অসিগী ২৩দা কোইম্বেটোরগী উকাদামদা লৈবা সঙ্গমেশর টেম্পলগী মনাক্তা কার অমা পোকখায়খিবদা শিখিবা জমিসা মুভিননা মহাক্কা থবক তৌমিন্নবা মীওই ২ গা লোয়ননা সঙ্গমেশর টেম্পল য়াওনা টেম্পল অহুম মাঙজৌননা কুপ্না য়েংথোকখি হায়রি।

টামিল নাদু পুলিসকী সিনিয়র ওফিসর অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখিবদা গ্রুপ অদুনা সিটি অদুদা অচৌবা ষ্ট্রাইক অমা চথনবা থৌরাং তৌখি। ইন্সভেষ্টিগেটরশিংগী মতুংইন্না কার অদুবু পোকখায়হনখিবা টেরোরিষ্ট জমিসা মুভিন মথন্তা থবক অদু পাঙথোকচখিবনি। মহাক্কী থৌওং অদু সুইসাইদ বোম এটেকশিংদা আই এস আই এসনা তোয়না চথুরকপা থৌওংনি। মহাক আই এসকী আইদিওলোজি ঙাক্না লাকপা মীওইনি।

ইনভেষ্টিগেসন টিম অদুনা মখা তানা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি মুভিন, অফসর খান অমসুং মুহমদ অজারুদ্দিন সঙ্গমেশর টেম্পল, মুন্দি বিনায়াগর টেম্পল অমসুং কোনিয়ামাল টেম্পলদা চত্তুনা টেম্পল অহুম অসিগী ফীভম কুপ্না য়েংশিনখি।

পাউ খরগী মতুংইন্না পুলিসনা টেম্পল অহুমদুগা নক্পনা খিল্লিবা সর্ভিলেন্স কেমেরা ষ্টদি তৌরি অমদি পুলিস কষ্টেদিদা লৈরিবা মুভিনগা থবক তৌমিন্নরিবশিং অদুনা পীরিবা ইনফোর্মেসনগা চান্নবরা হায়বদু য়েংশিল্লি। পুলিসনা হায়রি মদুদি মুভিন, অজারুদ্দিন অমদি অফসর খাননা এল পি জি সিসিলন্দর অনী কোইম্বেটোরগী গান্ধী পার্ককা নক্পনা লৈবা এজেন্সী অমদগী লৌখি অমসুং এক্সপ্লোসিভশিং, মর্বল অমসুং য়োপিনচিংবা থন্না য়াওবা মেটেল কেন অহুম লাঙদুনা মখোয়না অচৌবা ব্লাষ্ট অমা থোকহন্দুনা টেম্পল অদুবু থুগায়নবা থৌরাং তৌখি। টেম্পল অদুবু থুগায়বগা লোয়ননা মীওই কয়াবুসু হাৎননবা থৌরাং তৌখি। অদুম ওইনমক সিলিন্দর অমখক পোকখায়বদগী টেম্পল অদুদা অমাঙ অতা চাওনা থোকখিদে অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংসু মশিং য়াম্না শিখিদে।

পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মুভিন অমদি মহাকপু মতেং পাঙখিবা মোহমদ অজারুদ্দিন, অফসর খান, ফেরোজ ইস্মাইল, মোহমদ তালহা, মোহমদ নৱাজ ইস্মাইল অমসুং মোহমদ রিয়াজনা কেস অদুগী অহানবা এক্যুসশিং ওইখি।

য়ু এ পি এগী মখাদা চার্জ তৌরিবা এক্যুসশিং অদুগী মনুংদা মোহমদ তালহা অসি কুমজা ১৯৯৮ গী ফেব্রুৱারী ১৪ দা থোকখিবা মীওই ৫৬ শিবগা লোয়ননা অতৈ মীওই ২০০ অশোক অপন নঙখিবা কোইম্বেটোরগী সেরিএল ব্লাষ্টশিং অদুবু থৌরাং তৌখিবা অল-উমা হায়না খঙনবা ইস্লামিক টেরর ওর্গনাইজেসন অসিগী ফাউন্দর এস এ বসাগী মনাওনুপা ওইরিবা নৱাজ খানগী মচানুপানি। মতমদুগী দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং বি জে পিগী সিনয়র লিদর এল কে অদভানি হাৎননবা থৌরাং তৌখিবা ব্লাষ্টশিং অদু কোইম্বেটোরগী মফম ১২ দা থোকখিবনি। পুলিসনা কেরলাগী অথিংবা থমখ্রবা পি এফ আইগী হান্নগী ষ্টেট সেক্রেটরি সী এ রাউটনা সেরিএল ব্লাষ্টশিং অদুদা লৌখিবা থৌদাংগী মতাংদসু পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি। রাউট শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা কেরলাগী পলাকাদ দিষ্ট্রিক্টকী পতম্বিরদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী এন আই এনা ফাখিবনি। পলাকাদ দিষ্ট্রিক্ট অসি কোইম্বেটোরগা তায়ননা লৈরিবনি।

# ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ষ্ট্রোংমেন অনুবরাতা মখা তানা নুমিৎ ১৪নি জুদিসিএল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে



কোলকাটা, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সী) :
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা থোক্লিবা লুপা ক্রোর কয়াগী ওইবা কেট্টল স্মগ্লিংগী ৱাথোক্তা চেন্নরিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ষ্ট্রোংমেন অনুবরাতা মন্দল থাংজ নুমিৎতা স্পিসিএল সী বি আই কোর্ট অমনা মখা তানা নুমিৎ ১৪ জুদিসিএল কষ্টদিদা থম্ননবা খঙহনখ্রে।

মোন্দলগী কাউন্সিল সজাল দাসগুপ্তনা সী বি আইবু অককবা পোলিটিকেল পার্টি অমদা টার্গেট তৌদুনা প্রোব চথে হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা অসানসোলদা লৈবা কোর্ট অদুদা চথরিবা হিয়ারিং অদুদা কন্না মরৈ য়েংনবগী ফীভম উবা ফংখি।

দাসগুপ্তনা হায়খি মদুদি সেন্ট্রেল এজেন্সী অসিনা ৱাফম অদুগা মরী লৈননা পুন্না চার্জসিট ৫ ফাইল তৌখ্রে। মদুগী পান্দমদি ঐহাক্কী ক্লাইন্টকী বেল ফি থিংবা অসিনি। মোন্দলনা মহাক্কী পোলিটিকেল পার্টি শীন্দবা তারবদি নত্রগা এক্টিভ পোলিটিক্সতগী পোত্থাদবা তারবদি মহাকপু বেল পীররোইদ্রা হায়নসু দাসগুপ্তনা হঙখি।

সী বি আইগী কাউন্সিলনা মহাক্কী আর্গুমেন্টতা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা মোন্দলনা কোওর্পরেসন পীখিদে হায়না ফোঙদোরকখি। সী বি আই কাউন্সিলগী ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা দাসগুপ্তনা হায়খি মদুদি কেট্টল স্মগ্লিংগী মতাঙদা মহাক্কী ক্লাইননা করিমত্তা খঙবা লৈতে। মরম অদুনা মহাক্কা ৱাথোক অদুগী মতাংদা করিমত্তা হায়বা ঙমদ্রিবনি। মদুগী মদুংদা জজ রাজেস চক্রবোতিনা সী বি আইগী কাউন্সিলদা সেন্ট্রেল পোব এজেন্সী অসিগী ইনভেষ্টিগেসন মপুং ফানা লোয়শিনবা ঙমগদবা অকক্লবা তারিক অমা পীনবা খঙহনখি। মদুদা সী বি আইগী কাউন্সিল অসিনা হায়খি মদুদি ইনভেষ্টিগেসন অদু অরোইবা তাঙ্কক য়ৌরক্লবসু মতম খরদি চঙখিগনি। জজনা মথং হিয়ারিংগী তারিক নবেম্বর ১১ দা লেপখি। সী বি আইনা হন্দত্তা অসানসোলগী কোর্ট অসিদা অনৌবা চার্জসিট অমা সবমিট তৌখিবনি। মদুদা এজেন্সী অসিনা মোন্দালবু ৱাথোক অদুগী দাইরেক্ট বেনিফিসরি ওইনা মমিং পনখি।

# পুং ২৪ দা কোভিদকী অনৌবা কেস ১,৫৪৭ থেংনখি



ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১,৫৪৭ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৯ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১,৫৪৭ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৫০,৬৬২ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৮,৮০২ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৯ থারগা হৌজিকফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৯,০০৮ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭৭ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০৪ ওইরি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ২১৯.৬২ ক্রোর কাপখ্রে হায়রি।

# চেন্নাই কোওপরেসননা মফম ৩৭২ দা পব্লিক টৌইলেটশিং শারগনি



চেন্নাই, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সী) :
গ্রেটর চেন্নাই কোওপরেসন (জি সী সী) না টামিল নাদু ষ্টেট কেপিটেলগী মফম ৩৭২ দা পব্লিক টোইলেট ৩৭২ শারগনি হায়রি। টোইলেটশিং অসিগী মেইনটেনেন্সকী থবক টেন্দর অমগী খুত্থাংদা খল্লবা কন্ট্রেক্টরশিংনা পাঙথোক্কনি। কন্ট্রেক্ট অদু চহী ৮ গীনি।

জি সী সীগী সেক্রেটরি গগন সিংহ বেদিনা হায়খি মদুদি কন্ট্রেক্টরশিং অদুগী পার্ফোমেন্স অহুমশুবা পার্টি ইভাল্যুএটর অমনা মোনিটর তৌগনি। ওথোরিটিশিংগী মতুংইন্না কন্ট্রেক্টরশিং অদুগী পেমেন্টশিংগী মতাংদা ইনিদকেটর ২৬ খন্নগনি অমসুং ইনিদকেটরশিং অদুগী মনুংদা অমতং ওইরবসু থুংহনবা ঙমদ্রবদি মখোয়গী পেমেন্ট ফাজিন্দুনা থমগনি। জি সী সীগী মতুংইন্না পার্ফোমেন্স ইনিদকেটরশিং অদুগী মনুংদা প্রিমিসেস লু নানহলবা, শকয়েং মিংশেনশিং, সাপোন, দিস্পেন্সরশিং, সেনিটরি নেপকিনশিংনচিংবা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফংহনবা য়াওরি।

রোয়াপুরম অমসুং তিরুপিকা নগর জোনশিংদা টোইলেটশিং শেমগৎশাগৎপগা লোয়ননা পাইলেট প্রোজেক্ট অদু য়াম্না থুনা হৌরগনি। মেরিনা বিচতা টোইলেট ১১ শাগনি হায়রি।

সিটি অসিদা লৈবা থিঙ্ক-টেঙ্ক অমসুং সোসল ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা সেন্টর ফোর পোলিসি এন্দ দিভেলপমেন্টগী ষ্টদিসকী সী রজিভনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি মসি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি। সোসাইটি খুদিংমক মীয়াম্না নিংথিনা শীজিন্নবা য়াবা অফবা, তরু তনানবা টৌইলেটশিংগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি। টৌইলেটশিং অসি নিংথিনা মেইনটেইন তৌগদবনি।

# কোংগ্রেসকী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংসু ভারত জোরো যাত্রাদা য়াওশিল্লক্লে : এক্স-এ আই সী সী সেক্রেটরি



পনাজি, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সী) :
এ আই সী সীগী হান্নগী সেক্রেটরি গিরিস চাদোনকরনা থাংজ নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, কোংগেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা পাঙথোক্লিবা কৈন্যাকুমারিদগীনা কাস্মির ফাওবগী ভারত জোরো যাত্রা অসি কোংগ্রেস নত্তবা অমদি কোংগ্রেসকী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংনসু শৌগৎনরক্লি।

তেলঙ্গনাগী মহবুবনগরদা রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা চোদানকরনা হায়খি মদুদি থা ৬ কী মনুংদা কিলোমিটর ৩৫৭০ থুংগদবা যাত্রা অদু বি জে পিনা মচোয় মচোয় তাহল্লবা ইন্দিয়াগী মীয়ামগী মায়কৈদা য়ুনিটি পুরক্ল বগীদমক্তনি। ঐখোয়বু থাজদবা মফমশিংদগীসু শৌগৎনরকখি মরুওইনা যাত্রা অসিবু নন-কোংগ্রেস অমসুং এন্টি কোংগ্রেস ওইবা মীওইশিংগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মহৈরোয়শিং অমসুং নহারোলশিংনসু লেপ্তুনা শৌগৎনরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক নন-কোংগ্রেস অমসুং ইন্দিভিজুএলশিংনা যাত্রা অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা কোংগ্রেসনা লৈবাক মীয়ামদা হায়রিবশিংবু থৱায় য়াওনা তানরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অসুম্না শৌগৎনরক্লিবা অসি মমাঙদা থাজনখিদবা মওংদা লাকপা অচৌবা অহোংবা অমনি। নন কোংগ্রেস অমসুং এন্টি কোংগ্রেস ওইনা মীওইশিং অসিদা নত্তনা বি জে পি গভর্ণমেন্টগী কান্নদবা ৱাশকশিংদা পেন্দ্রবা মহৈরোয়শিং অমদি নহারোলশিংসু যাত্রা অসিদা মশিং য়াম্না শরুক য়ারি।

চোদানকরগী মতুংইন্না মহাক্না কুমজা ২০১১ দা কিসান সনদেশ যাত্রা লোঞ্জ তৌখি অমসুং লৌমীশিংগী লম লৌশিনবগী ইসুগী মতাংদা বতাপ প্রসুৱালদা মরাল লৈজদবা লৌমী কয়াবু হাৎখিবগী ইসু অসি পুখৎখি। পাদাযাত্রা অসিগী এচিপমেন্টশিংদি লেন্দ এক্যুজিএসন এক্টতা রিফোর্ম কয়া পুরকপগা লোয়ননা এক্ট অসিদা রাইট টু ফেয়র কম্পেন্সেসন এন্দ ট্রান্সপরেন্সি কৌবা লৌমীশিংদা কান্নগদবা লো অমা হৌদোকখিবা অসিনি। হৌজিক রাহুল গান্ধীনা ঐখোয়গী ভারতকী খাইবুং খাইবুং তাহল্লিবা ফোর্সশিংদগী কন্ননবা ভারত জোরো যাত্রা অসি লোঞ্জ তৌবনি হায়না চোদানকর ফোঙদোকখি।

# দেল্লিদা চহী ১৭ কী নুপামচা অমা জুভেনাইল অনীনা থাঙনা থিল্লগা হাৎখ্রে




ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সী) :
চহী ১৭ কী টিনেজর অমা পটেলনগর এরিয়াদা লৈবা মহাক্কী য়ুম মনাক্তা জুভেনাইল অনীনা থাঙনা থিল্লগা হাৎখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা পুলিসনা ফোঙদোরকখি।

পুলিস ওফিসর অমগী মতুংইন্না জুভেনাইল অনীনা থাঙনা থিনবদা লৈখিদ্রবা টিনেজর অদুগী মমিং মনোজ কুমার নেগি কৌই। এক্যুস অনীমক ফারে। শাথিরবা থৌদোক অদু এরিয়া অদুদা ইন্সটোল তৌরিবা সী সী টি ভি কেমেরা ফুটেজতা নিংথিনা উবা ফংখি। সী সী টি ভি ফুটেজতা টিনেজর অনী নিংঙাই শঙদানরকপগী শক্তম উবা ফংখি। ঙাইহাক লৈরগা অতোপ্পা নুপামচা অমা মখুৎতা পোৎশক অমা পায়রগা মফম অদুদা লাকখি অদুগা ভিক্টিম অদুদা একেট তৌখি।

মতুং তাবদা টিনেজরশিং অদু মফম অদুদগী চেনখি অমদি ভিক্টিম অদুনা ৱানা লেঙ ওৎতুনা ফুরিৎখাওদগী মহাক্কী মোবাইল লৌথোকপা উখি। য়াম্না থুনা মহাক লম্বীদা লৈবা বাইক অমগী মনাক্তা লেকথখি অমসুং মহাক্কী মনঙ্গলদা থাঙ অমা য়ুংদুনা লৈবা উখি।

ভিক্টিম অদুনা লম্বীদা ঈখেঙ মরক্তা তাদুনা লৈরিঙৈদা মীয়াম্না মহাকপু য়েংবা অমদি মহাকপু মতেং অমত্তা পাঙদনা অখুবা লম্বী অদুবু ফাওদুনা চৎপসু উবা ফঙখি।

সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯.২২ তাবা মতমদা থাঙনা থিনবগী থৌদোক অমা থোক্লে হায়না পটেল নগর পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীরকখি। থৌদোক অদুদা ফীভম থিনা শোক্লবা মনোজ সর্দার পটেল হোস্পিটালদা পুখৎখি অমসুং দোক্টরশিংনা মহাক শিরে হায়না লাউথোরকখি।

ভিক্টিম অদুগী অপোকপা চন্দন সিংহ নেগিনা পীবা ষ্টেটমেন্টদা য়ুন্ফম ওইরগা আই পি সীগী সেক্সন ৩০২ (মর্দর) অমসুং সেক্সন ৩৫ (কমন ইন্টেন্সন) গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়না ফোঙদোকখি। মনোজকী অপোকপনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট অদুদা মহাক্না মচানুপাবু হোস্পিটাল অদুদা পুরিঙৈদা মনোজনা মঙোন্দা জুভেনাইল অনীনা মহাক্কী মচননুপীদা ফজদবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা লক্লখি হায়না ফোঙদোক্লমখি হায়নসু পনখি।

মনোজনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা জুভেনাইল অমা খুপাকনা থাদুনা ৱার্নিং তৌখি। থৌওং অসিদা খোইরাং খোইশাওনরবা এক্যুস অসিনা লমন খুমনিংবগী ৱাখলগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেঙবদা মনোজপু হঞ্জিন হঞ্জিন থাঙনা থিনখি। মহাক্না কম্প্যুটর ক্লাস য়াওরুরগা ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। এক্যুস জুভেনাইলশিং অদু ফারে অমদি মখোয়না শীজিন্নখিবা থাঙ অদুসু মখোয়দগী রিকোভর তৌরে হায়না পুলিস ওফিসর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# য়ুগী অথীংবা লৌথোকপগী ৱারেপ্না হকশেল ১সুং খুন্নাইদা ওন্ন-তৈনবা...

*লামায় ১মগী মখা...*এক্ট অসি মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরদগীসু অমুক হন্না লৌথোকখি। মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১না কোনশিনহন্দনা চৎনহনখিদবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুনা চান্দেল, চুড়াচান্দপুর, সেনাপতি, তমেংলোং অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টনি হায়রি।

হৌজিক্না মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ লৈরগসু কুমজা ২০০২গী জুলাই ৩১দদি মতমদুদা লৈখিবা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ৯গী মনুংদগী মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১ অসি এমেন্দ তৌদুনা হায়রিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদগী লৌথোকখ্রবা মতুংদসু মথং মনাও নাইনা লাকখিবা মণিপুর লৈঙাকশিংনা তোঙান তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা মণিপুরদগী টোটেল প্রোহিবিসনগী এক্ট অসি লৌথোক্লবা হৌজ থেঙ্খাং কয়ারক্তা হোৎনখিবা লৈখ্রে হায়রি।

ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা মখা তানা হায়, লৈঙাকশিং অদুনা প্রোহিবিসন এক্ট মণিপুরদগী লৌথোক্লবা হঞ্জিন হঞ্জিন হোৎনখিবা অদু মরু ওইনা শেন্মীৎলোনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদগীনি। মরম অসিনা এক্ট অসিবু লৌথোক্লবা থেঙ্খাং নাইনা হোৎনরকখিবা অদুগী থৌইনশিন্দগী হৌখিবা কুমজা ২০১৮দদি এক্ট অসিবু অমুক হন্না শেমদোক শাদোক্তুনা মণিপুরগী মপান্দা থাদোক্লবগীদমক্তা ওইনদি য়ু শুংবদা অয়াবা পীবা হৌরকখি।

অদুম ওইনমক কুমজা ২০১৮দা প্রোহিবিসন এক্ট অসিবু অমুক্কসু এমেন্দ তৌখিবগী ৱাফম অদুমক্তি থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমখিদে। তশেংনমক এমেন্দমেন্ট অদু শুপ্ন তগী চে খক্তদা তৌরগা তাদুনা লৈখি। অদুগা হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমনা মণিপুরদা চৎনহল্লকখিবা প্রোহিবিসন এক্ট অসি মপূং ফানা লৌথোকখিবা নৎত্রগা ককথৎখিদুনা চৎনহন্দবমক ওইদ্রগসু এক্ট অসিগী মনুংদা শেমদোক শাদোকপা তৌদুনা য়ুঙৌ শুংবা অমসুং য়ুঙাং য়োনবদা অয়াবা পীরক্লগদি মণিপুর লৈঙাক্না চহী অমদা য়ামদ্রবদা লুপা ক্রোর ৬০০ রোমগী অহেনবা রেভন্যু শোয়দনা ফংবা ঙমগনি হায়বসিনি।

ৱাফম অসি লাক্লিবগী মরমশিংগী মনুংদা য়াওরিবনা মণিপুরদা কুমজা ১৯৯১দগী মণিপুর প্রোহিবিসন এক্ট শেমদুনা চৎনহল্লক্লগসু এক্ট অসিদা য়াওরিবা য়ু শুংবা থিংবা অমসুং য়োনবদা অথিংবা থন্বগী প্রোবিসনশিং অদু মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহল্লকপা ঙমদ্রে অমসুং মফম কয়াদা য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাংশিং মরাং কায়না ফংলে হায়বা ৱাফমসিনি।

ৱাফম অসিনা অচুম্বা অমসুং অশেংবা ওইরগসু হৌজিক লাক্লিবা ফীভমদি প্রোহিবিসন এক্ট অসিবু শেমদোক শাদোক্তুনা য়ুঙৌ শুংবা অমসুং মপান্দগী য়ুঙাংশিং পুশিল্লত্তুনা য়োনবদা অয়াবা পীরক্লগদি মণিপুরদা লৈরিবা খুল কয়াদা হান্নদগী মশীং হেনগৎতুনা য়ুগী ইন্দষ্ট্রিশিং মশীং য়াম্না থোরক্তুনা চোংখৎলক্কদ্রা হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক হৌজিকমক্কী ওইনদি ৱাহং অসিগী চপ চাবা পাউখুম পীবদা মতিক চাদ্রি অমসুং অরুবা পাউখুম ওইগদৌরি। অদুবু করিগুম্বা মণিপুরদা য়ুঙৌ শুংবা অমসুং য়ুঙাং য়োনবগী মায়োক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোক্লবগী লৌখিবা ৱারেপ অসিগী মতুংইন্না থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহল্লকপা তারগদি য়ুনা মণিপুরগী মীয়ামগী হকশেল অমসুং খুন্নাইদা খ্বাইদগী শাথিবা অমসুং ওন্ন-তৈনবা শাফু অমা শোয়দনা পীরক্কনি হায়রি।

ৱাফম অসি মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মণিপুরদদি য়ু হায়বা পোৎলম অসি খুন্নাই অসিগী মায়োক্তা লৈবা অমসুং খুন্নাই অসিবু মাঙহন্নবগী মচাকশিংগী মনুংদা মরু ওইবা অমনি হায়না লৌনরি। মরম অসিনা হৌজিকমক্কী ওইনা মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম অসিদা চহী অমদা লুপা ক্রোর ৬০০ হেনবগী অহেনবা রেভন্যু লাক্কনি হায়রগসু চৎনহল্লক্লিবা প্রোহিবিসন এক্ট অসি শেমদোক্তুনা য়ুঙৌ শুংবা য়াহনবা অমসুং য়ুঙাং য়োনবা য়াহনবগী ফিরেপ অসিমক্তি মতম অসিগা চুনদবা অমসুং চান্নদবা ফীভম অমা ওইগনি হায়রি।

কুমজা ২০১০দা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী মেম্বর ষ্টেটশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা পুরকখিবা ৱাফমদি য়ু থকপদগী ওইহল্লকপা অমাঙবশিং হন্থহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা য়ুনা মীওইবগী হকচাং শোকহনবদা নত্তনা মীওইবা খুন্নাইদসু অমাঙবা পী হায়নসু ফোঙদোক্লখিবা লৈখি হায়রদুনা য়ুবু লান্না শীজিন্নবদগী মায়োক্লরকপা অমাঙ অতা ময়ামগী মতাংদদি মখা তানা ৱাফংনরুবগী কান্নবা লৈররোই।

প্রোহিবিসন এক্ট শেমদুনা চৎনহল্লকপদা মসিগী কান্নবা অমসুং কান্নদবগী মতাংদবুদি শৌগৎপা অমসুং মায়োক্তা লৈবা মীওই কয়া অদুমক য়ানশিন্নদুনা থোরক্কনি। মতাংসিদা চোঙথোরক্লিবা ৱাফমনা করিগুম্বা মফম অমদা প্রোহিবিসন এক্ট শেমদুনা চৎনহল্লগে হায়রগদি এক্ট অদুনা পীরিবা প্রোভিজনশিং অদু চপ চানা থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহনবা চঙই হায়রি।

অদুগা 'প্রোহিবিসন' হায়বা ৱাহৈ অসিমক্কী মনুংদা চেল্লিবা ৱাহন্থোক্তি লোগী ওইবা মপাঙ্গলগা লোয়ননা য়ু শুংবা পৈশিন্দুনা থম্বা, পুথোক পুশিন তৌবা, মীয়ামদা ফংহনবা, য়োনবা অমসুং থকপনচিংবা পূম্নমক অসিবু অথিংবা পীবা কাঙলোনশিং ওইগদবনি। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদদি য়ুগী মায়োক্তা হৌরকখিবা ঈহৌ অসি চহী ২০০ হেনবা রোমগী মমাঙদগীনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা খম থেংনা হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎলে হায়রিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ফাওবা অদুঙৈ কুমজা ১৮০০দগী হৌরদুনা লৈবাক অদুদা লৈবা চর্চশিংদা ৱারেপ লৌখিবা লৈখি। য়ুনাইটেদ কিংদমগী কেপিটেল সিটি ওইরিবা লন্দনদনা কুমজা ১৯০৯দা য়ুগী মায়োক্তা মালেমগী মীয়াম হুপ্না খোঙজং চঙশিন্নবগীদমক 'ৱর্ল্ড প্রোহিবিসন কনফরেন্স' ফাওবা পাঙথোকখি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা য়ুগী মায়োক্তা খোঙজংশিং কন্না চঙশিল্লকখিবদগী কুমজা ১৯২০দা লৈবাক অদুদা মখোয়গী ১৮শুবা নেসনল প্রোহিবিসন এক্ট শেমদোক শাদোক্তুনা নেসন ৱাইদ প্রোহিবিসনগী মখাদা অথিংবা থমখিবা লৈ হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক কুমজা ১৯৩৩দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অথিংবা এক্ট শেমদুনা চৎনহল্লক্লগসু য়ু শুংবা, য়োনবা অমসুং থকপদা মপূং ফানা অথিংবা থম্বা ঙল্লক্তবগা লোয়ননা রেভন্যুদা শোকহল্লকপদগী প্রোহিবিসন এক্ট অসি রিপিল তৌবগী থৌদোকসু লৈখি হায়রি।

অসিগুম্বা ফীভম অসি জপান অমসুং চাইনাদসু থোরকখ্রগসু মিদল ইষ্ট/নোর্থ অফ্রিকাগী লৈবাক মঙাদদি হৌজিকসু য়ুগী মায়োক্তা মপূং ফানা অথিংবা থল্লি। হায়রিবা লৈবাকশিং অদুদি আফঘানিষ্টান, লিবিয়া, সাউদি অরাবিয়া, সোমালিয়া অমসুং সুদাননি। অদুগা ব্রুনেল দারুসসলাম, কোমোরো, ইরান, ক্বেট, মালদিপস, মাওরিটানিয়া, পাকিষ্টান, পেলেষ্টাইন, সিরিয়া অমসুং য়েমেননচিংবা লৈবাকশিংদনা হৌজিকসু লৈবাকশিং অসিদা লৈবা মুসলিম মীয়ামদা য়ুগী মথক্তা অকনবা অথিংবশিং থল্লি। য়ুনাইটেদ আরব এমিরেটসতনা লৈবাক অসিগী সার্জা রিজন খক নত্তনা অতৈ মফমশিংদনা য়ু য়োনবগী অথিংবা কোমথোক্লি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলুরবসু ইহান হানবা য়ুগী মায়োক্তা শেমখিবা এক্টনি হায়না লৌনরিবা 'বোম্বে অবকারি এক্ট ১৮৭৮' পনবা য়াই। মসিগী মথংদা বোম্বে প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৪৯, গুজরাট প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৪৯, বিহার প্রোহিবিসন এক্ট ২০১৬নচিংবা পনবা য়াই হায়রি।

লোয়ননা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা মণিপুর য়াওনা মফম পূম্নমক্তা য়ুগী মায়োক্তা অহকপা এক্ট শেমদুনা চৎনহল্লক্লগসু মপূং ফানা মায় পাকপা ঙমদ্রিবা মরমশিংগী মনুংদা অমদি য়ুগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী থেঙ্খাং কয়াদা শেঞ্জা থুমজাগী থবকশিং চথুবা, মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা য়ুগীদমক থবক তৌবা মীওইশিংগা অরোনবা মরী থম্লকপনচিংবশিং ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।